# MANIPURI LITERATURE

## PAPER–II

*Time Allowed* : Three hours　　　　*Maximum Marks* : 300

The figures in the margin indicate full marks for the questions.

Candidate should answer questions No. **1** and **5** which are compulsory and any **three** of the remaining questions, selecting at least **one** from each section.

1. মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী অহুমখক খল্লগা অমমমদা ৱাহৈ 200 দগী হেন্দনা পাউখুম পীয়ু : 20 x 3 =60

(a) ‘নুমিৎ কাপ্পা’দা য়াওরিবা হিন্দু ধর্ম্ম চঙলক্ত্রিঙৈ মমাঙগী মণিপুরী সংস্কৃতিগী মশকশিংদু খূদমগা লোয়ননা ইয়ু। 20

(b) ‘তিংখং-তুম্বৌ কয়া হাইদোক-হাইদোক্কুনা নাউথিংখোংবু সনাগী ফম্বাল তাবা লম্বী য়াৎপিখিবসি লংমাই পিতঙঙানিন। মসিমক অশেংবা নুংশিবগী লংলবা খূদমনি।’— ৱাফমসি কদায়ফাওবা চুম্বগে খূদমগা লোয়ননা উৎলু। 20

(c) গরিবনিৱাজ মহারাজনা ঔৱা লমদা লান্দাখিবগী মরম করিনো ? গরিবনিৱাজ মহারাজসি লান্দা হৈ-শিংবা, অকল-অথৌ অমনি হায়বসি ‘সমশোক ঙম্বা’ লাইরিক্তগী খূদম পীদুনা ইয়ু। 5+15=20

(d) রামায়ণগী মশা তরেৎতু করি করিনো ? রামায়ণ আদি কাণ্ড অসি হীরম, লোন অমসুং খূৎইগী মশক্তা য়েংবদা ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী লৈচননি হায়বসি নৈনৌ। 5+15=20

2. ‘থৌৱানথাবা হিরান’দা ৱাকমনা থৌৱানথাবগী চরিত্রবু য়ান্নমক রিএলিষ্টিক ওইনা য়েকই।’— ৱাফম অসি মরিক চুন্না নৈনৌ। 60

3. ‘লান্দবা অচুম্বনা পোলোইদা মায় পাকই হায়বসি ‘ধনঞ্জয় লাইবু নিংবা’ লাইরিক্তা ৱাকমনা উৎলি।’— ৱাফম অসি মরিক চুন্না নৈনৌ। 60

4. হিষ্টোরিকেল বাইওগ্রাফি হায়বসি করিনো ? ‘চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা’ অসি হিষ্টোরিকেল বাইওগ্রাফি অমা ওইনা লৌবা য়াব্রা ? মরম পীদুনা ইয়ু। 10+50=60

SECTION–B

5. মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী অহুমখক খল্লগা অমমমদা ৱাহৈ 200 দগী হেন্দনা পাউখুম পীয়ু : 20 x 3 =60

(a) ‘কবি খ্বাইরাকপম চাউবা মিষ্টিক কবি অমনি।’ ৱাফমসি ‘লোক্তাক মপান্দা’ অমসুং ‘লমগী চেক্লা অমদা’ হায়বা শৈরেংশিংদগী খূদম পীদুন উৎলু। 20

(b) ‘লাননা মীওইবগী পুন্সিদা অহক্প চৈনা পী’ হায়বসি ‘ঐগী থাহৌদ্রবা হৈতুপ-লালু’ কৌবা ৱারীমচাদগী খূদম পীদুনা ইয়ু। 20

(c) খম্বা অমসুং থোইবী অহানবা উনখিবদু করম্বা মতাংদনো ? মতাং অসিদা শাবী-শানৌ অনীগী নুংশিবগী মশক অইবনা করন্না য়েকপগে ইরকউ। 2+18=20

(d) ‘প্রকৃতি (environment) বু কন্নিংবগী নুংহীক্লরবা পূক্নিংগী পাউজেল অমা ‘থোইবীদো ৱারৌহৌইদা’ হায়বা লমকোয় ৱারীসিদা য়াওই।’— ৱাফমসি মরিক চুন্না নৈনৌ। 20

6. ‘মাধবী’ হায়বা উপন্যাসসিদা আইরোনি (irony), ৱিলিংলি সসপেন্সন ওব দিসবিলিব (willingly suspension of disbelieve) অমসুং লোন্দা-পুদাগী ফজবা— হায়রিবা কলাগী মচাক অহুমসিনা অপাবশিংগী থম্মোয়বু খোন্দুনা পুবা ঙম্মী।’ — ৱাফমসি খূদম পীদুনা নৈনৌ। 20+20+20 =60

7. ‘জজ্জ সাহেবকী ইমুং’ মান্নদবা ৱাখল্লোন অনীগী মুক্নবা (idea conflict) উৎপা ড্রামানি— হায়বসি মরিক চুন্না নৈনৌ। 60

8. পাচা মীতৈগী ‘ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং-নুংশীৎকী ফীভমসি ষ্ট্রিম ওব কন্সিয়সনেস নোভেল (stream of consciousness novel) গী মচলশিংনা (elements) শাগৎপনি হায়বসি কদায় ফাওবা চুম্বগে ? মরিক চুন্না নৈনৌ। 60

* * *